# লাহোরগী পার্কতা টালিবান্না সুইসাইদ বোম এটেক চথখ্রে, মীওই ৭২ শিখ্রে, ৩০০ হেন্না শোকখ্রে

লাহোর, মার্চ ২৮ (এজেন্সী) ঃ

পাকিষ্টানগী খ্বাইদগী চাউবা প্রোভিন্স পঞ্জাবকী কেপিটেল লাহোরদা লৈবা পব্লিক পার্ক অমদা ঙরাং টালিবানন্না চথখিবা শাথিরবা বোমগী এটেক অমদা য়ামদ্রবদা মীওই ৭২ শিখ্রে অমসুং মীওই ৩০০ হেন্না অশোক-অপন নংখ্রে হায়রি।

পাকিষ্টানি টালিবানগী ফেক্সন অমা ওইরিবা জামাট-উল-অহররনা তুংদা লৈবাক অদুগী ইষ্টর্ন সিটি লাহোরগী মী য়াম্না চিনখিবা পার্ক অমদা চথখিবা এটেক অদু মখোয়গী খুৎনি হায়না ক্লেম তৌখ্রে অমসুং মদু খৃষ্টানশিংদা টার্গেট তৌদুনা চথখিবনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

অল জাজীরাগী কামল হাইদরনা ইস্লামাবাদতগী পাউ পীরকখি মদুদি, খৃষ্টান ইমুং কয়ানা পার্ক অদুদা ইষ্টরগী কুম্হৈগা মরী লৈননা হরাও-তয়াম্বা ফোঙদোকপা লাক্লখি। অঙাংশিংগী শান্নফমদগী মিটর খরা থাপতোকপা মফমদা বোম্মর অমনা মশা মতোমতা পোকখায়জখিবনি। সুইসাইদ বোম্মিং মানবা এটেক অদুদা শিরিবা মীওই অয়াম্বদি নুপী অমসুং অঙাংশিংনি হায়না পুলিসনা বি বি সীদা ফোঙদোকখি।

পাকিষ্টানগী প্রসিদেন্টনা এটেক অদুবু কন্দেম তৌখ্রে অমসুং রিজনেল গভর্ণমেন্টনা নুমিৎ হুম্নি চুপ্পা অৱাবা ফোঙদোক্কনি হায়না লাউথোকখ্রে।

নোংমাইজিং নুমিৎকী নুমিদাং অঙনবদা থোকখিবা বোম পোকখায়বদুগী মতুংদা এরিয়া অদুদা লৈরিবা মরু ওইবা হোস্পিটালশিং মী য়াম্না চিন্নখি অমসুং ষ্টাফশিং ইমরজেন্সীগী ফীভমদা থবক তৌনখি হায়রি।

বোম পোকখায়বগী থৌদোক অদু গুলমান-ই-ইকবাল পার্ককী কার ময়াম খামদুনা লৈবা মেইন গেট মনাক্তা থোকখিবনি। থৌদোক অদুবু উহৌবা মীওই অমনা হায়খি, পার্ক মনুংদা মথোং মরম খঙদনা চরাংনবা ফীভম লৈখি, মী নেৎশিন্নবা হৌরকখি অমসুং মশা মশা হিংনবা চেন্নবদা অঙাংশিংগা মখোয়গী অহল-লমনশিংগা শেৎনখি।

অতোপ্পা মীওই অমনা পাকিষ্টানগী জিও টি ভী ষ্টেসন্দা ফোঙদোকখি মদুদি, মহাক্না মহাক্কী নুপী অমসুং অঙাং অনীগা লোয়ননা পার্ক অদুদা লাকখি অমসুং খঙহৌদনা পোকখায়বগী অহৌবা মখোল অমা তাখি। পোকখায়বগী শাফু অদুনা মখোয় লোইনমক হুল্লগা লৈমায়দা তাহনখি।

মফম অদুদা লৈবা ইমরান কৌবা মশাগী চহী ৩০ শুরবা মীওই অমনা রোইটর্জদা হায়খি, "ঐহাক পাক অদুদা খোঙনা ইচম চম্না চৎখি। খঙহৌদনা অহৌবা মখোলগা লোয়ননা বোম পোকখায়খিবা মতমদা মৈরীশিংদু অদুক্কী মতিক ৱাংনা কাখি মদুদি উপাম্বীশিংগী মথক য়ৌখি অমসুং ঐহাক্না হকচাং কয়া মথক্তা পাইবা উখি।"

আর্মি অমসুং পেরা মিলিটরি ফোর্সশিং কৌশিন্দুনা পার্ককী মপান্দা তিল্লিবা মী মপৈ মপৈশিং লাকশিনহনখি হায়রি।

লাহোরগী দেপ্যুটি কমিস্নার, মোহম্মদ উশমননা অশোকপা মীগী মশীং ২০০ রোমনি হায়না ফোঙদোকখি তৌইগুম্বসুং পুলিসনদি মীওই ৩০০ হেন্না ব্লাষ্ট অদুদা অশোক-অপন নংখি হায়খি।

লাহোর অসি পাকিষ্টানগী খ্বাইদগী চাউবা অমসুং ইনাক খুনবা প্রোভিন্স পঞ্জাবগী কেপিটেল অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ শারিফকী পোলিটিকেল পৱারবেজনি।

পাকিষ্টানি টালিবান গ্রুপ জামাট-উল-অহররনা লোকল অমসুং নোংচুপলোমগী মিদিয়াদা এটেক অদু মখোয়না চথবনি হায়না ফোঙদোকখ্রে। গ্রুপ অসিগী স্পোক্সমেন ইশনমুলা ইহশননা পাকিষ্টানগী এক্সপ্রেস ত্রিব্যুনদা হায়খি, "খৃষ্টানশিংনা ইষ্টর কুম্হৈ পাঙথোক্লি হৈঁদা চথখিবা এটেক অদু ঐখোয়ননি।" বোম পোকখায়বগী থৌদোক অদুদা শিখিবশিংগী হকচাংশিং ঙসি অয়ুক অঙনবা ফাওবা সিটিগী হোস্পিটাল কয়াগী মোর্গশিংদা লেপ্তুনা পুরকখি হায়রি।

পাকিষ্টানগী অতৈ মফমশিংগা চাংদম্নবদা পঞ্জাব প্রোভিন্স অসি খরা ঈং-চিকপা মফমনি হায়না লৌনরবসু প্রাইম মিনিষ্টরগী ওপো-নেন্টশিংনা মহাকপু পঞ্জাবতা ঈৱাং থোকহন্দনবগীদমক্তা লালহৌবশিংদা অকনবা মীৎয়েং থমদে হায়না তত্তনা মরাল শীখিবনি।



## ট্রম্প : বৃটেন অমসুং য়ুরোপতা অমেরিকানশিং খুদোংথিনিঙাই ওই



ৱাশিংটন, মার্চ ২৮ (এজেন্সী) ঃ

ব্রসেলসতা হন্দক চথখিবা শাথিরবা এটেকশিং অদুগী মতুংদা হৌজিক বৃটেন অমসুং য়ুরোপ অমেরিকানশিংগী ওইনা খুদোং-থিনিঙাই ওইবা মফমশিং ওইরে হায়না য়ু এসকী রিপব্লিকান প্রসিদেন্সিয়ল ফ্রন্টরন্নর দোনাল্ড ট্রম্পনা ফোঙদোকখ্রে।

রিপব্লিকান প্রদিদেন্সিয়ল নোমিনেসনগী ফ্রন্টরন্নরনা ৱাফম অসি মীওই ৩১ শিখিবা ব্রসেলসতা চথখিবা বোম্মিং এটেকশিংগী মতুং নুমিৎ ৫নি কান্নরগা ফোঙদোকখিবনি।

মায় পাক্লবা বিজিনেসমেন ওইরম্বদগী ইকুই-কুইদ্রিবা মতমগী মমাঙদা পোলিটিক্সতা খোঙদারকখিবা দোনাল্ড ট্রম্পনা হায়খি, "য়ুরোপকী শাথিবা প্রোব্লেম কয়া লৈ।" অমেরিকা ফাওবদা অমেরিকানশিংনা লৈবদা সেফ ওইগদবা মফম ওইরক্ত্রে" হায়না মহাক্না মখা তাখি।

ট্রম্পনা এ বি সীদা হায়খি, ঐহাক্না ব্রসেলস, ইংলেন্দ নৎত্রগা য়ুরোপ অপুম্বসি খুদোংথিনিঙাই ওইদবা মফমশিংনি হায়না লৌদ্রে। "য়ুরোপতা প্রোব্লেম কয়া লৈ। মখোয়দু য়াম্না শাথিরবা প্রোব্লেম ঙাক্তনি।"

"নখোয়না ব্রসেলসতা য়েংবা মতমদা মরু ওইনা লো ইনফোর্সমেন্টগী মীৎয়েংদগী য়েংবা মতমদা উখিবশিং, পেরিসতা থোকখিবশিংদা য়েংবদা, অতৈ মফম কয়াদা থোকখিবা থৌদোকশিংদা য়েংবা মতমদা ব্রসেলস ওইরো, ইংলেন্দ ওইরো য়ুরোপ পুম্বা খুদোংথিনিঙাই ওইদবা মফমশিংনি হায়বা য়াদ্রে।"

য়ু এসকী সেক্রেটরিয়দ ষ্টেট জোন কেরিনা সী বি এসকী ফেস দ নেসন প্রোগ্রামদা মান্নবা ৱাফমশিং ফোঙদোক্লদুনা হায়খি, য়ু এসকী সিটিজেনশিংনা য়ুরোপতা চৎপা তারবদি মী চিনবা মফমশিংদা চঙলোইদবনি, মরমদি মফমদুদা লৈরমগদৌরিবা মীওইদু নহাক্না কন্ট্রোল তৌবা ঙল্লোই।

পনবা য়াবদি, হৌখিবা চহীদা লন্দনগী মফম খরা চৎপা য়াদবা মফমশিংনি হায়না ফোঙদোক্লুব-গীদমক্তা ট্রম্পপু মায়কৈ কয়াদগী করেম্নখিবনি। "সিটি অসিগী মফম কয়া কা হেনবা তৌবশিংনা মওং অমদা কন্ট্রোল তৌখ্রে মদুদি পুলিস ফাওবদা শিবা কিবদগী মফমশিংদুদা চঙদনব হোৎনরে" হায়না ট্রম্পনা ফোঙদোকখিবনি। চয়োল অসিগী অঙনবা শরুক্তসু মহাক্না ৱাফম অমা ফোঙদোকখিবদা ৱাথোক ওইনখি। বৃটিশ মুস্লিমশিংনা কা হেনবা তৌবশিংগী চিংননিঙাই ওইবা থবক থৌওংশিং ওথোরিটিশিংদা তমদ্রে হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

বেলজিন ওথোরিটিশিংনা ব্রসেলস ইন্টরনেসনেল এয়রপোর্টতা চথবা মখোয়গী অহানবা ইনভেষ্টিগেসনদা মেইন বিল্ডিং অদু খুদোংথিনিঙাই ওইরমদ্রে হায়না ফোঙদোকখিবগা ইকান-কান্নদনা ট্রম্পনা অনৌবা ৱাফমদু ফোঙদোকখিবনি।

এরয়পোর্টকী ওফিসলশিংনা হৌজিক মতম খরগী ওইনা চেক-ইন দেস্কশিং ইনসটোল তৌনবা খন্নরি তৌইগুম্বসুং এরয়পোর্টকী ওথোরি-টিশিংনা থোকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমনা এয়রলাইনশিং অমসুং লগেজ হেন্দল্লরশিংগা তান্নদুনা চানগদৌবা মফম অমা খঙদোক্লবা হোৎনরি হায়খি।

হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎকী অঙনবদা বেলজিয়ন পুলিসনা চথখিবা রেইদ অমদা নোংমৈ কাপ্তুনা ফাখিবা মীওই অমা টেরর গ্রুপ অমগী মেম্বরনি হায়না মরাল শীখ্রে হায়রি।

## ব্রসেলসকী টেরর এটেকশিংগা মরী লৈননা মীওই ২ ফাগৎখ্রে

ব্রসেলস, মার্চ ২৮ ঃ ইটলিদা ঙরাং অলজিরিয়ন অমা ফাখিবা অমসুং দটচকী হিথাংফম সিটি রোষ্টেরদমদা মশাগী চহী ৩২ শুরবা ফ্রেঞ্চমেন অমা ফাখিবগা লোয়ননা ব্রসেলসকী টেরর এটেকশিংগী মরমদা থীজিনবগী থবকশিং হেন্না পাকথোক-চাউথোরক্তুনা অতৈ লৈবাকশিংদসু চথখ্রে হায়রি।

ফ্রেঞ্চ ওথোরিটিশিংনা হায়জরক-পদগী দটচ পুলিসনা টেরর এটেক অমা পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌবদা চেন্নবনি হায়না চিংনবা মীওই অদু ফাখি হায়না প্রোসিক্যুটরশিংনা ফোঙদোকখি।

বেলজিয়ম অমসুং জর্ম্মনিদা রেইদ কয়া পরিং নাইনা চথখ্রবা মতুংদা ইটালিয়ন পুলিসনসু অলজেরিয়ন মচা জমাদ ইদিল ওৱালিবু ফাগৎখি। মহাক বোম্মিং এটেকশিং অদুগা মরী লৈনবা মিলিটেন্টশিংগী দোক্যুমেন্টশিং শেম-শাখিবা মীশকনি হায়না চিংনবা মীওইনি হায়না ইটালিয়ন মিদিয়ানা হৌখিবা থাংজ নুমিৎতা ফোঙদোকখি।

বেলজিয়ন প্রেস এজেন্সী বেলগানা পাউ পীখি মদুদি, প্রোসিক্যুটরশিংনা মীওই অমা পেরিসতা হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎতা চথখিবা রেইদ অমগা মরী লৈননা এটেক তৌনবা শরৌ শিনবদা য়াওরমখি হায়না মরাল শীখি। ওথোরিটিশিংনা মতম চানা খঙলকপদগী শরৌদু মায় পাকহনখিদবনি হায়রি। প্রেস এজেন্সীনা মীওই অদু অব্দেরামন এ কৌই হায়না ফোঙদোকখি। প্রেসিক্যুটরশিংনা হৌখিবা থাংজ নুমিৎতা ফোঙদোক-খিবগী মতুং ইন্না, মীওই অদু ব্রসেলসকী স্যরবীক দিষ্ট্রিক্টতা রেইদ অমা চথবদা নোংমৈনা কাপ্লবা মতুংদা ফাখিবনি।

চৈরকসিদা ব্রসেলসতা বেলজিয়ম পুলিসনা ওথোরিটিশিংগী আপিলগী মায়োক্তা ঙরাং রেলি পাঙথোক্লবা হোৎনখিবা প্রোটেষ্টরশিং তানখায়নবা হোৎনবদা ৱাটর কেননশিং কাপখ্রে হায়রি। মীওইশিং অদু হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী শাথিরবা এটেকশিং অদুবু প্রোটেষ্ট তৌনবা হোৎনখিবনি অমসুং ওফিসলশিংনা মখোয়গী খোঙথাং অদু য়ৈথোক্লবা হায়বদা য়াখিদবনি হায়রি।

এটেকশিং অদুগা মরী লৈননা অয়ুক-নুংথিলগী মতমদা পুলিসনা ব্রসেলস অমসুং এন্টৱের্প অমসুং সিটি অনীগী অকোয়বদা অনৌবা রেইদ ১৩ চথখি। মীওই মাপন ৱাহং-পাউহং চথখি অমসুং মঙাদি থাদোকখি হায়না প্রোসিক্যুটরগী ওফিসনা ফোঙদোকখি।

ওথোরিটিশিংগী অথিংবগী মায়োক্তা মীওই চা কয়ানা সুইসাইদ বোম এটেকশিংদুগী ভীক্টিমশিংগী অৱাবদা শরুক য়াবা উৎলদুনা বৌর্সতা পুনখি। প্রোটেষ্ট অয়াম্বা ঈং-চিক্না চথনখি তৌইগুম্বসুং লোকল মিদিয়ানা রাইট-ৱিং নেসনেলিষ্টশিংনি হায়না ফোঙদোক্লবা প্রোটেষ্টর গ্রুপ অমা লাকশিন্নবা হোৎনবদা ৱাটর কেনন শীজিন্নখিবনি। মখোয়না ইস্লামিক ষ্টেটপু চৈ থাংদুনা খোল্লাউ কয়া লাউখি অমসুং বেন্নর কয়া পুখি।

প্রোটেষ্টরশিংনা বৌর্স (ষ্টোক এক্সচেঞ্জ)কী ঈং-চিকপা ফীভম থুগাইবসি মরম চাদে। অসিগুম্বা থৌওংশিংদি ঐহাক্না অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই হায়না প্রাইম মিনিষ্টর চার্লজ মিচেলনা হায়খি।



## নাসাগী কার্গো স্পেসক্রাফনা ইন্টরনেসনেল স্পেস ষ্টেসনদা থিজিনবগী মচাক মথুমশিং সপ্লাই তৌখ্রে



ৱাশিংটন, মার্চ২৮ (এজেন্সী) ঃ

নাসাগী ওর্বিটেল এ টি কে সিগ্নস কার্গো সিপ ঙরাং ইন্টরনেসনেল স্পেস ষ্টেসন (আই এস এস)কী আর্থকী মায়কৈরোমদা মমায় ওনশিনবা পোর্টতা থুংখ্রে।

স্পেসক্রাফট অদুনা আই এস এসতা থুংলবা অদুনা মালেম পুম্বগী মীয়াম্বু কান্নহন্নবগীদমক্তা মালেম লৈবাক অসিগী ৱাংমদা ক্রু মেম্বরশিংনা চথবা রিসার্ছতা মতেং পাংলগনি হায়রি।

স্পেসক্রাফট অদুনা এক্সপিদিসন্স ৪৭ অমসুং ৪৮গী মনুংদা পাঙথোক্কদবা সাইন্স অমসুং রিসার্ছকী ইনভেষ্টিগেসন ২৫০ রোমদা পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি হায়রি।

মিসন অসিদগী হৌরগা সিগ্নস কার্গো সিপতা এক্সটর্নেল সিগ্নস দিপ্লোইয়র অমা য়াওহল্লে। সিগ্নসনা আই এস এসতগী থোকখ্রবা মতুংদা দিপ্লোইয়র অদুগী মতেংনা ভেহিকল অসিনা অপীকপা সেটলাইটশিং দিপ্লোই তৌবা হৌরগনি।

স্পেসক্রাফট অদু স্পেস ষ্টেসন অদুগা থা ১ হেন্না শম্নরগা লৈগনি। আই এস এসতা রিসপ্লাই তৌবগী মিসন অদু লোইরবা মতুংদা সিগ্নস স্পেসক্রাফটনা ষ্টেসন অদুদগী খুদোংচাগদবা মফম অমদা হাইদোরক্লগা অপীকপা সেটলাইটশিংদু দিপ্লোই তৌগনি অমসুং ২০১৬কী মে থাদা অকায়-অতোয় নংনিঙাই ওইবা মওংদা মালেম লৈবাক অসিগী এটমোসফ্যেরদা অমুক হন্না চঙলক্কনি।

নাসাগী কার্গো সিপ অদুনা স্পেস ষ্টেসন অদুদা মৈ, মিটিঅরশিং, রিগোলিথ অমসুং মাইক্রোগ্রেভিটিদা থ্রি দি প্রিন্টিং করম তৌবগে হায়বা থিজিনবা য়াওনা মখল মখা কয়াগী ইনভেষ্টিগেসনগী মচাক-মথুমশিং সপ্লাই তৌগনি।

সেফিয়র-১ ইনভেষ্টিগেসন্না স্পেসতা থিজিন হুমজিন্নবগী ভেহিকল অমদা থাঙ্গৈশেংনা মৈ চাকপগী মরমদা থিজিন্নবগী অনৌবা লম্বী অমা পীরগনি। মী তোংবা স্পেসক্রাফটতা অসিগুম্বা ষ্টদিশিং পাংথোকপা হায়বসি য়াম্না খুদোংথিনিঙাই ওইবা মরম্না হান্নদি অসিগুম্বা চাংয়েংশিং থাংথোকপসি ওইথোকখিদবনি।

সিগ্নসতা য়াওবা খুৎলাইশিংনা মৈরীনা চাউখৎলকপা, ওক্সিজেন শীজিন্নবগী চাংনচিংবা ওনগনি।

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR**
**IMPHAL WEST-PATSOI**
***Ref:- Mut. Case No. 239/SDC/IW(P) of 2016***

Khundongbam Inakhunbi Devi, w/o (L) Chandrabi Singh of Malom Tuliyaima. -Petitioner

-VRS-

Late Khundongbam Chandrabi Singh, s/o (L) Gourachand Singh of Malom Tuliyaima. -O.Party

**ꯅꯣꯇꯤꯁ/NOTICE**

28/03/2016

U/S 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি ই:ও: পাৎশোই তাহশিলগী খুল নম্বর ৮১/তাওবুংখোককী পাট্টা নং ৮১/২৪(ওল্ড) ৮১/১১৫ (ন্যু), দাগ নম্বর ৬৪৫ এরিয়া পোইন্ট ০.৭৭ অঙনফৌ একর চাওবা লৌফম অসিগী পট্টাদার অসি মৃত ওইখ্রে। অদুনা মরম ওইদুনা মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মহাক্কী স্বতনি হায়দুনা মমিংদা নামা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেরোলনা দরখাষ্ট থারক্লে, মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগা মরী লৈনবা/লৈনবশিং অমদি মচা-মশু, শাগৈ-নাতৈ কনাগুম্বনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ৪/৪/২০১৬ ইংগী অয়ুক পুং ১১:০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই কোর্টকী হুকুম মখা চথরগনি।

**Sd/- Yaiphaba Longjam**
Sub-Deputy Collector, Imphal West, Patsoi

HL-P/7965/29




# EMPLOYMENT NEWS

## NHM CHHATTISGARH RECRUITMENT 2016 – 251 ANM, STAFF NURSE, LT, DEO & OTHER POSTS

**NHM Chhattisgarh Recruitment 2016 – 187 ANM, Staff Nurse & Other Posts:** National Health Mission (NHM), Jagdalpur has released notification for the recruitment of 187 Dental Surgeon & Dentist, Block Data Manager, Staff Nurse, ANM, Primary Accountant & Data Assistant, Cleaner, Aaya Bai, Medical Officer, Pharmacist, Lab Technician & other vacancies. Eligible candidates may apply in the prescribed application format on or before 30-03-2016 by 05:00 P.M. Other details like age limit, educational qualification, selection process, how to apply are given below…

**NHM Chhattisgarh Vacancy Details:**
**Total No. of Posts: 187**
**Name of the Posts:**

1. Dental Surgeon & Dentist (NHM): 01 Post
2. Block Data Manager (NHM): 01 Post
3. Staff Nurse (NHM): 22 Posts
4. ANM & 2nd ANM (NHM): 100 Posts
5. Primary Accountant & Data Assistant (Accountant) (NHM): 04 Posts
6. Cleaner (SNCU) (NHM): 03 Posts
7. Aaya Bai (SNCU) (NHM): 06 Posts
8. Attendant (NRC) (NHM): 02 Posts
9. District Data Assistant (NHM): 01 Post
10. Medical Officer (AMO) (RBSK): 10 Posts
11. Pharmacist (RBSK): 05 Posts
12. Lab Technician (RBSK): 16 Posts
13. ANM (RBSK): 02 Posts
14. Staff Nurse (NUHM): 01 Post
15. ANM (NUHM): 01 Post
16. Class IV Worker (NUHM): 01 Post
17. Malaria Technical Supervisor (NVBDCP): 04 Posts
18. Pediatrician (DEIC): 01 Post
19. Medical Officer (DEIC): 01 Post
20. Psychologist (DEIC): 01 Post
21. Optometrist (DEIC): 01 Post
22. Early Intervention cum Special Educator (DEIC): 01 Post
23. Lab Technician (DEIC): 01 Post
24. Dental Technician (DEIC): 01 Post

**Age Limit:** Candidates age should be between 18-64 years as on 01-01-2016.

**Educational Qualification:** Candidates should possess MDS & should be registered with Chhattisgarh Medical Council for post 1, Graduation & PGDCA for post 2, B.Sc Nursing for post 3, 12th Passed & ANM Passed for post 4, 8th Passed for post 6, 7, D.M.L.T for post 12, BHMS/ BAMS/ BUMS Degree for post 10 with relevant experience. For more information regarding qualification refer notification.

**Selection Process:** Candidates will be selected based on qualification, experience, computer test, delivery & child care test, exam, extra qualification & interview.

**How to Apply:** Eligible candidates may send their application in the prescribed format along with copies of relevant certificates, passport size photograph attested by gazetted officer/ self attested, one self addressed envelope affixed with Rs. 5/- through Speed Post/ Registered Post to Office of the Chief Medical and Health Officer, Jagdalpur, District Bastar, Chhattisgarh on or before 30-03-2016. Superscribe the envelope with name of the post & reserved category.

**Last Date for Submission of Application:** 30-03-2016.

**NHM Chhattisgarh Recruitment 2016 – 64 LT, ANM, DEO & Other Posts:** District Chief Medical and Health Officer, Gariaband has released notification for the recruitment of 64 Doctor (Medial Officer), Dental Surgeon & Dentist, ANM, SN, RMNCH/ FP Counselor, Technician, Counsellor, Block Account Manager, Account and Data Assistant, Office Assistant, District Data Assistant, Data Entry Operator, Medical Officer, LT, ICTC Counselor, ITC Lab Technician, STS vacancies. Eligible candidates may apply in he prescribed application format on or before 06-04-2016 by 05:30 P.M. Other details like age limit, educational qualification, selection process, how to apply are given below…

**NHM Chhattisgarh Vacancy Details:**
**Total No. of Posts: 64**
**Name of the Posts:**

1. Doctor (Medial Officer) (District/ Block-NCD clinic): 04 Posts
2. Dental Surgeon & Dentist (NHM): 02 Posts
3. ANM (24×7 &NRC): 06 Posts
4. SN (24×7 PHC) (NHM): 05 Posts
5. RMNCH/ FP Counselor (NHM): 03 Posts
6. Technician (NCD): 04 Posts
7. Counsellor (NCD): 04 Posts
8. Data Entry Operator (NCD): 05 Posts
9. Block Account Manager (NHM): 02 Posts
10. Account and Data Assistant (PHC Level) PADA (NHM): 01 Post
11. Data Entry Operator (NPCB): 01 Post
12. Office Assistant (Immunization): 01 Post
13. District Data Assistant (NHM): 01 Post
14. Data Entry Operator District Level/ Block Level (NHM): 03 Posts
15. Medical Officer (Female) (RBSK): 03 Posts
16. ANM (RBSK): 02 Posts
17. LT (RBSK): 11 Posts
18. ICTC Counselor: 02 Posts
19. ITC Lab Technician: 03 Posts
20. STS (Senior Treatment Supervisor): 01 Post

**Age Limit:** Candidates age should be between 18-64 years as on 01-01-2016. Age relaxation is applicable as per rules.

**Educational Qualification:** Candidates should possess MBBS & should be registered with Chhattisgarh Medical Council for post 1, MDS & should be registered with Chhattisgarh Medical Council for post 2, l2th Passed, ANM Passed for post 3, Graduation with Diploma in Computer Application for post 8 with relevant experience. For more information regarding qualification refer notification.

**Selection Process:** Candidates will be selected based on qualification, skill test, computer practical test, interview.

**Application Fee:** Candidates have to pay the fee through Demand Draft from any Nationalized Bank in favour of District Health Committee, District-Gariaband (Chhattisgarh).

**How to Apply:** Eligible candidates may send their application in the prescribed format along with copies of relevant certificates, self attested photograph only through Registered Post to Office of the Chief Medical and Health Officer, District-Gariaband (Chhattisgarh) on or before 06-04-2016 by 05:30 P.M.

**Last Date for Submission of Application:** 06-04-2016 by 05:30 P.M.

**For more details, please visit on the link given below**
http://www.freejobalert.com/nrhm-chhattisgarh-recruitment/104844/